# বি জে পিগী ওম বিরলা লোক সভা স্পিকর খনখ্রে, পি এম মোদিনা মাবু চৌক্রি ফাওবা পুশিল্লকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* বি জে পিগী সেনিয়ার লোমেকর ওম বিরলাগী স্পিকর ওইবগী কেন্দিদেচর ওপোজিসন পার্টিশিংনসু শৌগৎপদগী ঙসি মহাকপু অনৌবা লোক সভা স্পিকর ওইনা মত অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা খনখ্রে।

মহাকপু স্পিকর খন্নবগী মোসন হাউসতা পুখৎখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্না মহাকপু স্পিকরগী চৌক্রি ফাওবা পুশিল্লক্তুনা ফমহনখ্রে।

মীয়ামগী থবক তৌবনা ওম বিরলাগী পোলিটিক্সকী মরুওইবা ৱাখন মীৎয়েঙ ওইখি। মহাক হাউসকী সিটিংশিং প্রিসাইদ তৌগদৌরিবা য়াম্না নুংশিবা লূচীংবা অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

স্পিকর খল্লবা লোমেকর অদুবু থাগৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লেজিসলেচর অমা অমসুং পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমা ওইনা নহাক্না তৌখিবা থবক, নহাক্কী মতম পূন্নমক্তা লৈবাক্কী কান্নবগীদমক নহাক্না নশাগী পূন্সি কখোকখিবা মওং অদু য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি।

মিষ্টর বিরলা রাজস্থানগী মীয়ামখক্তগী ওইরকখিদে। গুজরাততা য়ুহার হাখিবা অদুগী মতূংদা শেমগৎ–শাগৎপগী থবক্তসু মহাক্না অচৌবা থৌদাং য়াখি। তমথিনা মাঙ–তাক্লিংঙাই ওইখিবা য়ুহার হাবা অমনা গুজরাতকী শরুক অমা শোকহনখিবা মতম অদুদা মহাক্না কুটচতা থা কয়ামুক লৈখিবদু ঐনা কাওবা ঙমলোই। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা শাথিরবা ঈচাওশিং থোকখিবা কেদরনাথতসু মহাক্না থা কয়ামরুম লৈখি হায়না মোদিনা হায়খি।

রাজস্থানগী কোতাদগী ৩লক হন্না কারক্লবা লোমেকর অমা ওইরিবা মিষ্টর বিরলা পার্টি চীফ অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহগা নক্নবা অমনি খন্নে। মশাগী চহী ৫৬ শুরবা অসিনা মাগী মহৈরোই ওইরিঙৈগী মতমদগী পোলিটিক্সতা য়াওরকখি অমসুং বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অদু মহাক্না চহী ৬ ওইরকখি।

লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লূচীংবা ওইনা হাপখ্রবা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা ওম বিরলাবু হাউস অসিগী কষ্টোদিয়ান ওইনা মসিগী মগুন ঙাকপা হায়বসি নহাক্কী দায়ত্বনি হায়খি। কোংগ্রেসনা নেগেটিব ওইবা শক্লোন অমত্তা লৌরোই হায়বসি ঐখোয়না নঙোন্দা থাজবা পীরি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী হায়খিবা ৱারোল পল্লদুনা, হৌজিক মরুওইবা হীরমদি মীচং–মীখাই অমত্তা নাইদবনি, মায়োক্তা লেপ্পা নংতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইরাননা মখোয়বু য়ু এস সেঙ্কসন্সতগী ঙাকথোক্লবা য়ুরোপতা মতম হেন্না পীররোই

*লন্দন, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* ইরাননা ঙসি য়ুমশকৈশ নুমিৎতা হায়খ্রে, লৈবাক অসিনা জুলাই থাদা হেন্না ৱাংবা থাক অমদা য়ুরেনিয়ম এনরিচ তৌবা হৌরগনি অমসুং য়ু এস সেঙ্কসন্সতগী টেহরানবু ঙাকথোক্নুনা খোঙথাং অসি থিংনবা অহেনবা মতম অমত্তা য়ুরোপিয়ান পৱারশিং পীররোই।



মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা তৌনখিবা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিলদা পীখিবা কমিটমেন্ট খরা ইরাননা মে থাদগী হৌনা ঙাকখিদ্রে। মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী নাকন নামতগী ওইনা তোকখিবা অমসুং টেহরানগী মথক্তা অমুক হন্না সেঙ্কসনশিং থমজিল্লকখিবা চহী অমগী মতূংদনি।

য়ু এস সেঙ্কসনশিংদগী ইরানগী ইকোনোমিবু নুমিৎ ৬০নিগী মনূংদা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা ঙাকথোক্রবদি লৈবাক অসিনা হেন্না ৱাংবা থাক অমদা য়ুরেনিয়ম এনরিচ তৌবা হৌরগনি হায়না মে থাদা হায়খিবনি। থাখিবা মতম অদুগী অরোইবা নুমিৎ জুলাই ৮নি।

জে সি পি ও এ (ন্যুক্লিয়র) দিল অদুগী সিগ্নেটেরি ওইনা লৈনবগী ইরানগী থা ২গী থারিবা মতম অদু শাংদোকপা ঙমলরোই অমসুং হান্না থৌরাং তৌবগী মতূং ইন্না ২শুবা তাঙ্কক অদুগীদমক থবক মখা চত্থরগনি হায়না ইরানগী এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসনগী ৱাঙাংলোই ওইরিবা বেহরুজ কামলবন্দিগী ৱাফম পল্লদুনা তাসনিম ন্যুজ এজেন্সিনা ঙসি হায়খি।

ন্যুক্লিয়ার কমিটমেন্ট খর তোক্লবগী অহানবা তাঙ্কক্তা প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা মে ৮দা অতৈ লৈবাকশিংদা ইরানগী এনরিচ য়ুরেনিয়ম অমসুং হেভি–ৱাটর য়োনবা তোক্লে হায়না লাওথোকখি।

ইরানগী এনরিচ য়ুরেনিয়মগী পূক্লে হহুহন্নবগীদমক ন্যুক্লিয়ার দিল অদুনা মসি য়োনথোকখিবগী অয়াবা পীখিবনি।

হৌজিক্কী উংখৎনরিবা ফিভম অসি ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকগী মরক্তা মিলিটরিগী মায়োক্লবা অমগী মতাংদনি। মসি গল্ফ মনাক্তা ওইল টেঙ্কর ২দা হৌখিবা চয়োলদা এটেকশিং তৌরকখিবা অদুগী মতূংদগী অমুক্কা হেন্না ফিভম শাথিরকখি।

এটেকশিং অদু ৱাশিংটননা মতম শাংনদগী য়েক্লবা ওইরক্লিবা ইরানদা থংজিনখি। অদুবু মদু টেহরাননা য়াখিদে। ইরানগী নাকন্দগী কিহল্লকপগী মরম পীরদুনা অরব মিদ্দল ইষ্টতা য়ু এসনা হান্না থঞ্জিল্লিবা মিলিটরি শক্তিশিংগী মথক্তা অহেনবা লান্মী ১,০০০ অমসু থাজিল্লগনি হায়না পেন্টাগোননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাওথোকখিবনি।

| GAS TODAY | |
|---|---|
| **Maibia Gas Moirang** | |
| Booking | : 21/05/19 |
| Sl. No. | : 3195 |
| Valid | : 14/05/19 |
| Sl. No. | : 901 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m. |
| **Khumbong Indane** | |
| Booking | : 21/05/19 |
| Sl. No | : 350 |
| Valid | : 18/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.30 to 10.30 a.m. |
| **Hrangchal Gas Agency** | |
| Booking | : 01/06/19 |
| Valid | : 28/05/19 |
| Stk | : 306, 19kg Available |
| **Canchi Service Indane** | |
| Booking | : 03/06/19 |
| Valid | : 25/05/19 |
| Stk | : 612, 5 & 19kg Available |
| Time | : 08.00 to 10.30 a.m. |
| **K & K Indane Service** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 11.00 a.m. |
| **Lamsang Gas Agency** | |
| Booking | : 28/05/19 |
| Valid | : 25/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |
| **S. P. Chakpi Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306 |
| Time | : 08.00 to 10.00 a.m. |
| **Misao Gas Service** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 612, 19kg Available |
| Time | : 07.00 to 11.00 a.m. |
| First Come First Serve | |
| **Manipur Gas** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.30 to 09.30 a.m. |
| First Come First Serve | |
| **Athokpam Indane** | |
| Booking | : 30/05/19 |
| Valid | : 22/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 06.30 to 10.00 a.m. |
| **Lambodara Indane** | |
| Booking | : Up to Date |
| Valid | : Nill |
| Stk | : 306 |
| Time | : 08.00 to 10.30 a.m. |
| **M M Gas** | |
| Booking | : 08/06/19 |
| Valid | : 03/06/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |
| **Imphal L P G** | |
| Booking | : Up to Date |
| Stk | : 213 |
| Time | : From 08.30 a.m. |
| **G B D Indane** | |
| Booking | : 24/05/19 |
| Valid | : 01/05/19 |
| Stk | : 612 |
| Time | : 07.00 to 10.30 a.m. |
| **Khoriphaba Gas, Nambol** | |
| Booking | : 10/06/19 |
| Valid | : 09/06/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 09.30 a.m. |
| **Santhel Bazar Indane** | |
| Booking | : 25/05/19 |
| Valid | : 17/05/19 |
| Stk | : 306 |
| Time | : 07.00 to 10.00 a.m. |

# পি এমনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মেম্বর পূন্নমক্কী চাক্লেন কৌরি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েঙ শগোলশেল নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর পূন্নমক্কী চাক্লেন অমা কৌরি। চাক্লেন অদু দিল্লিগী অশোকা হোটেলদা পাংথোক্কনি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ারস মিনিষ্টর প্রলহাদ জোসিনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভগী মেম্বর পূন্নমক্তা বার্ত্তন তৌখ্রে। হৌখিবা থাদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি শেন্লবা তূংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর পূন্নমক উন্নগদৌরিবসি মসিনা অহানবনি।

# ত্রিপুরা চীফ মিনিষ্টরনা আগরতলাবু মালেম–থাক্কী সিটি ওইহন্নবা থৌরাং তৌরি





*আগরতলা, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* ত্রিপুরা কোনূংগী থাকপু মোদর্ন এমেনিটিশিং পীদুনা মালেম–থাক্কী সিটি অমা ওইহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খ্রে।

সিটি অসি হৌজিক ইন্টিগ্রেটেদ, ইন্টিলিজেন্ট ট্রাফিক সিগ্নেল সিষ্টেম, অপাকপা লম্বীশিং, নিংথিজনা শেন্নবা পার্কশিং অমসুং হেন্না ফবা পার্কিং সার্ভিশিং লৈরে হায়না মিষ্টির দেবনা হায়খি।

ষ্টেট অসিগী অর্বান দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর দেবনা হায়খি, হৌজিক ঐখোয়না হেন্না ফগৎপা সিৱেজ ৱাটর মেনেজমেন্ট সিষ্টেম, রেন ৱাটর দ্রেনেজ সিষ্টেম অমসুং অর্বান ৱাটর বোদিশিং ফজহনবগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি হায়খি।

আগরতলা স্মার্ট সিটি মিসনগী মখাদা অনৌবা প্রোজেক্ট ৫গী ফাউন্দেসন ষ্টোন ঙসি য়ুংলবা মতূংদা মহাক্না পাউমীশিংদা ৱা ঙাংখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫দা লৈবাক অসিদা স্মার্ট সিটি মিসন হৌদোকখি অমসুং স্মার্ট সিটি ওন্থোক্কদবা সিটি ১০০গী অহানবা লিষ্টতা আগরতলা য়াওখিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# জম্মুদা রোপৱে ট্রোলিদা চপ্তুনা লৈখ্রবা অঙাং ৪ কনখ্রে

*জম্মু, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* জম্মুগী টাৱি তুরেন মথক্তা বেরা তৌরকপদগী রোপৱে ক্রেদলদা য়ান্দুনা লৈখ্রবা অঙাং ৪ পূং ৩ চুপ্না কন্নবা হোৎনরবা তূংদা ঙসি কনবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

উধমপুরদগী কিলোমিটর ৩৩ লাপ্পা পত্তানগড় খূঙ্গংদা লৈবা মখোয়গী স্কুলদা কারকপগী লম্বীদা অঙাংশিং অদু ঈচেন কল্লবা তুরেল অদুগী ময়াইচবুক্তা রোপৱে অদু বেরা তৌরকপদগী মখোয় পূং কয়ামরুম তুরেল অদুগী মথক্তা ক্রেদল অদুদা য়ান্দুনা লৈখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। মফম অদুদা সেনিয়ার সিভিল অমসুং পুলিস ওফিসারশিংনা লূচিংবা রেস্কু টিম অমা খুদক্তা লাকখি অমসুং অঙাংশিং কনখি হায়রি।

# বষ্টার ট্রাইবেলশিং মচিওইবা চিঞ্জাক লেমনা ফংহল্লগনি ঃ ছতিসগড় সি এম

*রাইপুর, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* ছতিসগড়গী বাষ্টার ফোরেষ্ট রিজনশিংদা লৈরিবা ট্রাইবেলশিং গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী খূৎথাংদা থুনমক মচিওইবা চিঞ্জাকশিং লেন্ন ফংহল্লগনি অমসুং মেদিকেল ফেসিলিটিশিংসু ফংবা ঙমহল্লগনি হায়না ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর ভুপেশ বঘেলনা ঙসি য়ুমশকৈশ নুমিৎতা লাওথোকখ্রে।

একুট এন্সেফলাইটিশ সিন্দ্রোম (এ ই এস)না মরম ওইদুনা বিহারগী মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টতা অঙাং ১০০ হেন্না শিখিবা থম্মোয় শোকপা থৌদোক অদুদগী ছতিসগড় চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি লাওথোক্লকখিবনি।



স্কিমশিং অসিনা ট্রাইবেলশিংগী হকশেনগী থাক ফগৎহনবদা মরুওইবা শক্লোন অমা লৌরগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মচিওইবা চীঞ্জাক ৱাৎপগী খুদোঙথিবা থিঙননবা উমংদা লৈবা মীওইশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীরগনি অমসুং অতোপ্পা স্কিম অমগী শরুক অমা ওইনা ট্রাইবেলশিং অসিনা চয়োল– কৈথেলশিংদা মোবাইল হেল্‌থ কিয়ার ফেসিলিটিশিংসু ফংলগনি। স্কিমশিং অসি পাইলোট প্রোজেক্ট অমা ওইনা বাষ্টার রিজনদগী থুনমক পায়খৎপা হৌরগনি। মসিগী মরমদি বাষ্টার অসি ষ্টেট অসিদা মাওইষ্টনা খ্বাইদগী থীনা শোকহনবা রিজন অমনি।

# এক্সিদেন্টতা ৮ শিখ্রে, ১১ শোকখ্রে

*শমভল, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* উত্তর প্রদেশকী মোরাদবাদ–আগ্রা নেসনেল হায়ৱেদা পোৎ–চৈ পুবা মিনি কেরিয়র অমগা মখোয়না তোংলিবা গারী অদুগা থেঙ্গাইনবদা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং ১১ শোকখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

খুদোঙথিবা থৌদোক অদু লেহরাৱান খূন মনাক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেঙবদা থোকখিবনি। মীওইশিং অদু লুহোংবা অমা য়াওরুরগা ময়ুমদা হল্লকখিবনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস যমুনা প্রশাদনা হায়খি।

# সি পি এম ঃ অমুক্তদা মীখলশিং পাংথোকপা এন্টি–দেমোক্রেটিক্নি, কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তনি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া – মার্ক্সিষ্ট , সি পি আই (এম)না গভর্ণমেন্টনা 'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন'গী প্রোসেস চৎনহন্নবা খূৎশেমগী ওইবা হোৎনবা অদুগী মায়োক্তা পার্টিসিনা লৈবগী মরমশিং পীরদুনা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিং অমুক্তদা মতম চপ মান্নবা মীখলশিং পাংথোকপা হায়বসি য়ুমফমদগী হৌনা এন্টি–ফেন্দরেল অমসুং এন্টি –দেমোক্রেটিক ওই অমসুং মরম অদুনা কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



'ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন'গী হীরম অসি খন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কৌখিবা মীফম অমদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মকোকশিংদা য়েন্থোকখিবা চেরোল অমদা সি পি আই (এম) জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা অমুক্তদা মতম চপ মান্নবা মীখলশিং পাংথোকপনা লেজিসলেচরদা গভর্ণমেন্টকী একাউন্টেবিলিটি ওইবগী কনষ্টিট্যুসনেল স্কিম অদু 'টেম্পর' তৌহল্লগনি হায়খি।

লোক সভা নৎত্রগা লেজিসলেচরগী মপূন্সি শাংদোকহন্নবা হোৎনবা খূদিংমক অন–কনষ্টিট্যুসনেল ওইবতা নত্তনা এন্টি–দেমোক্রেটিকসু ওই। শোয়দনমক ঙাক্কদবা অমসুং ইনগদবদি মখোয়গী ইলেক্টেদ রিপ্রেজেন্টেটিবশিংগী খূথাংদা মীয়ামগী ৱিল অদুনি হায়না য়েচুরিনা হায়খি।

অমুক্তদা মতম চপ মান্নবা মীখলশিং পাংথোক্লবগী লম্বী ফাংনবা কনষ্টিট্যুসন এমেন্দ তৌনবা নিটি আয়োগনা মখল কয়াগী সজেসন তৌরকখ্রে। মদুনা লেজিসলেচরগী কাউন্টেবিলিটি কাম্থোকহল্লগনি, গভর্নরগী শক্তি হেনগৎহল্লগনি অমসুং সেন্টরগী খূৎ থিংজিনবা য়াহল্লগনি হায়না য়েচুরিনা মখা তাখি।

# মাওইষ্টনা সমাজৱাদি পার্টি লিদর ফারগা হাৎখ্রে

*বিজাপুর, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* সমাজৱাদি পার্টি লিদর শন্টোশ পুনেমবু ছতিসগড়গী বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্টশিংনা কিদনেপ তৌখ্রগা হাৎখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কন্ট্রেক্টর অমা ওইনসু থবক তৌবা মিষ্টর পুনেমবু মরিমরা খূন্দা লৈবা মাগী কষ্ট্রক্সন সাইটতগী মাওইষ্টশিংনা ঙরাং কিদনেপ তৌখিবনি।

ঙসি অয়ুক মহাক্কী হকচাং অদু ঈ মরক্তা তাদুনা লৈরম্বা অদু খূঞ্জাশিংনা উখি অমসুং পুলিসতা পাউ পীরকখি।

পুলিস ষ্টেসন্দগী কিলোমিটর ১৬ লাপ্পদা উমং অমগী য়াম্না মনূং চংশিনবদা হকচাং অদুনা তাদুনা লৈরিবা মফম অদুদা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল টিম অমা চংশিনখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েল দিবিয়াং পতেলনা হায়খি।

মাওইষ্টশিং অদুনা মফম অদুদা বোলেরো অমা অমসুং ট্রক ৩ য়াওনা গারী কয়ামরুম থুগাইরমখি অমসুং মৈ থাদোক্লমখি। মাওইষ্টশিং অদুনা সমাজৱাদি পার্টি লিদর অদুগী হকচাং অদু মাগী ইমূং–মনূংদা পীবসু য়াখিদে।

শন্তোশ পুনেমনা হন্দক পাংথোকখিবা ছতিসগড় এসেমব্লি ইলেক্সনদা বিজাবুরদগী সমাজৱাদি পার্টিগী টিকেটতা কন্টেষ্ট তৌখি। মহাক বিষ্টার রিজনগী বিজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা সমাজৱাদি পার্টিগী ষ্টেট ভাইস–প্রসিদেন্টনি।

# শ্রী লঙ্কানা মখোয়গী অহানবা সেটিলাইট 'রাবন–১' ওরবিটতা মায়পাক্না থাগৎখ্রে



'রাবন–১'না ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)তা থুংলখি

*কলম্বো, জুন ১৯(এজেন্সি)ঃ* লৈবাক মশাগী ইঞ্জিনিয়ার অনীনা দিজাইন তৌবা অমসুং দিভলপ তৌবা শ্রী লঙ্কাগী অহানবা সেটিলাইট 'রাবন–১' জপান অমসুং নেপালদগী অতোপ্পা বার্দস –৩ সেটিলাইট ২গা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদগী চয়োল অসিদা ওরবিটতা মায়পাক্না থাগৎখ্রে।

চাওরাক্না কেজি ১.০৫ লুম্বা অমসুং ১১.৩ সিএম , ১০ সিএম, ১০ সিএম পাক চাওবা অমসুং থাবা ক্যুব সেটিলাইট 'রাবন–১'অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা শ্রী লঙ্কা টাইমদা নুংথিল পূং ৩.৪৫দা ওর্বিটতা কাপখৎখি হায়না কলম্বো পেজগী পাউনা হায়খি।

সেটিলাইট অদু জপানগী কেয়ুসু ইন্সটিট্যু ওফ টেক্নোলোজিদা স্পেস ইঞ্জিনিয়ারিং তম্লিবা থারিন্দু দয়ারত্নে অমসুং দুলানি চামিকা কৌবা শ্রী লঙ্কান ইঞ্জিনিয়ারিং ২না দিজাইন অমসুং দিভলপ তৌবনি।

সেটিলাইট অদু জপান এরোস্পেস এক্সপ্লোরেসন এজেন্সি (জে এ এক্স এ)দা ওফিসিয়েল ওইনা ফেব্রুৱারি ১৮দা খূৎশিন্নখি অমসুং য়ু এসতগী সায়গ্নস–১ স্পেসক্রাফকী মতেঙগা লোয়ননা এপ্রিল ১৭তা ইন্টর্নেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)দা থাখি।

শ্রী লঙ্কা অমসুং অকোয়বা লমদমশিংগী পিকচরশিং লৌবা য়াওনা রাবন–১না মিসন ৫ পাংথোক্লবা আশা তৌরি। সেটিলাইট অসিগী য়াদ্রবদা চহী অমা–মখাইগী মপূন্সি লৈ। অদুবু চহী ৫ ফাওবা এক্টিব ওইনা লৈবসু য়াই হায়না আশা তৌরি।

# প্রাইভেট ফার্ম ব্লেকষ্টোনগী চীফনা ওক্সফোরদ য়ুনিভর্সিটিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮৮ কৎখ্রে

*লন্দন, জুন ১৯ (এজেন্সি)ঃ* ওক্সফোরদ য়ুনিভর্সিটিগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী চাওবা শেন কৎলকপা ওইনা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্সকী ইথিক্স নৈননবা ইনষ্টিট্যুট অমসু থমগদবা হ্যুমেনিটিজগী সেন্টর অমা লিংখৎনবগী ফন্দ পীনবা প্রাইভেট ইক্যুটি ফার্ম ব্লেকষ্টোনগী মকোক অদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১৫০ (দোল্লর মিল্লিয়ন ১৮৮.৩৭) কৎখ্রে।



এসেটস ওইনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০০ রোম লৈবা ব্লেকষ্টোনগী চিয়ারমেন, চীফ একজিক্যুটিব অমসুং কো–ফাউন্দর ষ্টেফেন স্বারজমেননা কৎলিবা শেনফম অসিনা হিষ্টরিদগী ম্যুজিক ফাওবগী প্রোগ্রামশিং শৌগৎকদবা স্বারজমেন সেন্টর অদুগী ফন্দ পীগনি হায়খি।

সেন্টর অসিদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ আই)গী অনৌবা ইনষ্টিট্যু ফোর ইথিক্স অমসু লৈগনি।

চাওরাক্না চহী ১,০০০ রোম সিদা ওক্সফোরদতা হ্যুমেনিটিজগী ষ্টদিজ অসি ৱেষ্টর্ন সিভিলাইজেসন অমসুং স্কোলারসিপতা মরুওইনা থবক চংশিল্লকখি। অদুবু ঙসিগী দায়নামিক ৱার্ল্ডদা চাশিন্নগদবা হ্যুমেনিটিজগী ইন্সাইটস অমসুং প্রিন্সিপলশিং অদু ঐখোয়না ঙাকপগী মথৌ তাই হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা স্বারজমেননা হায়খি।

হ্যুমেন ওই হায়না আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স মশামককী মচৎ অদুবু শীংনরকপা য়ারিবা অমসুং ঐখোয়গী পূন্সিশিংগী অয়াম্বা মওংশিং ওন্থোকখিবা য়ারিবা এ আইগী ফত্তবা ইম্পেক অদু সেন্টর অদুনা খন্নগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অদুনা হায়খি।

ৱার্ল্ড ৱাইদ ৱেব (দবলিয়ু দবলিয়ু দবলিয়ু)গী ইনভেন্টর টিম বরনরস–লীনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি–করিগুম্বা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ আই)বু হ্যুমেনিটিদা কান্নহনগে হায়বা তারবদি ঐখোয়না মসিগী মোরেল অমসুং ইথিকেল ইমপ্লিকেসনশিং শোয়দনমক খঙবা তাই। হ্যুমেনিটিজ অমসুং ফিলোসোফিদা ইনাকখুল্লবা ইতিহাস অমা লৈরবা ওক্সফোরদনা থবক অসি পাংথোক্লবগীদমক য়াম্না মফম চাই।

কৎলক্লিবা শেনফম অসিনা লিংখৎকদৌরিবা অনৌবা ফেসিলিটিজশিং অদুদা সিট ৫০০গী কন্সর্ট হোল অমা অমসুং সিট ২৫০গী ওদিটোরিয়ম অমা য়াওরি।

স্বারজমেননা য়ু এস য়ুনিভর্সিটিশিংদসু য়াম্লবা শেনফমশিং কৎখ্রে। মশাচুসেট্টস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৫০ অমসুং য়েল য়ুনিভর্সিটিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৫০ কৎখ্রে।

চিনাগী সিংহুৱা য়ুনিভর্সিটিদসু মহাক্না ২০১৩দা দোল্লর মিল্লিয় ৫৭৫গী ইন্টরনেসনেল স্কোলার্সিপ প্রোগ্রাম অমসু লিংখৎখি।

# য়ু এসনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১গী কোকেন ফাখ্রে

*ফিলাদেলফিয়া, জুন ১৯ (এজেন্সি)ঃ* আমেরিকাগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী চাওবা দ্রগ লল্লোনবা থুগাইবা অমদা য়ু এস ওথোরিটিজনা ফিলাদেলফিয়া হিথাংফম অমদা জহাজ অমদগী ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দোল্লর বিল্লিয়ন ১ হেনবগী কোকেন ফাখ্রে। জহাজ অদুদগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১ হেনবগী কোকেন টোন ১৬.৫ ফাখি হায়না য়ু এস জষ্টিস দিপাটমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-157**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 2 | | 9 | | | 7 | |
| | 6 | 4 | 7 | | | | 5 | |
| 9 | 7 | | | | 5 | | 6 | |
| | 8 | 9 | 3 | | | | | 7 |
| | 5 | | | 4 | 7 | 6 | | |
| | 4 | | 5 | | | 9 | | |
| 4 | | | | 5 | | 7 | | |
| 6 | | | | | 9 | | | 5 |
| | | 5 | 2 | | | | 9 | 4 |

সনা–সুদোকু – ১৫৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 5 | 7 | 9 | 2 | 6 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 6 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 1 | 6 | 8 | 3 | 9 |
| 8 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 | 7 | 6 | 1 |
| 2 | 5 | 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 9 | 6 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 |
| 6 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 | 4 | 7 | 8 |